ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯢ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ফেব্রুৱারী ১৮, ২০২২, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ৩২২শুবা মশীং

# তশেং-তশেংবা হায়বা য়াদব্রা

## নমথাক্তগী হৌরক্লগা অফবা তৌরকখিদ্রা

দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চৎলিবা লৈবাকসিদা পাঙথোক্লিবা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিগী মীখলশিং অসিগী পিরাই ওইবা এক্ট অমসুং রুল ময়াম লৈ। লৈরিবা এক্ট/রুল ময়ামদুনা য়োন্নগা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং এসেমব্লি মীখলশিংগা হকথেংননা মরী লৈনবা, নক্নবা পিরাই ওইরিবা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পীপলস এক্ট, ১৯৫০ অমসুং ১৯৫১গী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংনি। অসুম্মাইনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লোকল বোদিশিংগী মীহুৎশিং খন্নবা মীখলগী মাগী মাগী এক্ট অমসুং রুলশিং লৈনৈ। মণিপুরগীদা হায়বা তারবসু অর্বান লোকল বোদি অমসুং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগীসু লৈ, চীংগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগীসু লৈ। লৈরিবা লোগী কাঙলোনশিংদুগী মখা পোন্না লৈবাক অপূনবগী ওইবা লোক সভা, রাজ্য সভা, ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরোল নাইবা মীহুৎশিং খন্দুনা লাক্লিবনি। পুমনৌ নৌবা ইলেক্টোরেল প্রোসেস নৎত্রগা সিষ্টম অমা শেমদুনা চৎনহল্লক্ত্রিবা ফাওবদি হান্নদগী লৈজরক্তুনা শীজিন্নরক্লিবা মীখল ময়ামগী চৎন-কাঙলোনশিংসি মতম-মতমগী মতুংইন্না শেমদোক-শাদোক্তুনা য়ান-য়ানবা তৌদুনা অদুম্মক চৎনখিগদৌরিবনি। অদুবু মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি মরোল নাইবা মীখলশিংগী মনুংদা য়াওরিবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীখলদা তোয়না থেংনদ্রবসু এসেমব্লি মীখলশিং পাঙথোরকপদদি মীরেপ ওইগদবশিংনা মশাগী অশেংবা চহী, এদ্যুকেসনল ক্বালিফিকেসন অমসুং মশা-মশাগী এসেটকী মতাংদা অচুম্বা-অশেংবশিং হেক হেক লোৎশিন্দুনা থম্লগা অরানবা ৱাফম অমদি ইনফোর্মেসনশিং পীরে হায়বগী ৱাথোক-লান্থোক হেক্তা থোকই। হৌজিক পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনসিদা মীরেপ ওইগনি হায়দুনা চোঙথোরকপশিংগী মরক্তসু থৌদোকশিংসি থোকই। হন্দক্না অহানবসু নত্তে। মণিপুরগী এসেমব্লি ইলেক্সন খরদসু থোকখ্রে। কুমজা ২০১৭কী ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন অদুগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ১২গী মনুংদা অয়াম্বদি মীখলদা মায় পাক্লক্লবশিংগী মরক্তগী খরনা পাঙথোকখ্রিবা মীখলদুদা মখোয়না মীরেপ ওইনবগীদমক পীশিনখিবা মীরেপ চেশিংদা মখোয় মশা মশাগী অচুম্বা ইনফোর্মেসনশিং মেনশিন্দুনা পীদে, অরানবা, ওইদবশিং হায়জিল্লি, ইশিল্লি হায়বগীনি।

থৌদোকসি তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মনুংদগী ফর্ষ্ট ফেজগী নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌবদসু থোকই, সেকেন্দ ফেজদসু থোকখি। ফেজ অনীমক্কী মীরেপ চেশিং স্ক্রুটিনি পাঙথোকপদা থোকখি। মরী লৈনরিবা রিটর্নিং অমসুং এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসরশিংগী ওফিসতা থোকখি। লম্বা তৌমিন্নগদবা অতোপ্পা মীরেপশিংগী মায়কৈদগী ওবজেক্সন তৌনরকই। অইবা ৱাকৎ চেরোলশিং পীশিন্নখি। অদুবু আর ও অমসুং এসিষ্টেন্ট আর ওশিংদদি তঙাইফদবা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫০ অমসুং ১৯৫১গী প্রোভিজনশিংনা পীবা কাঙলোনশিং থুগাইরকপা অমসুং য়াওরক্তবশিং খক নত্তনা চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়দুনা ৱায়েনবগী হক পীদবনা ৱাকৎ লাক্লবসু মীরেপ চেশিং অদুম্মক অয়াবা পীদুনা লৌশিল্লি। অচুম অরানগী ৱাফমশিং লোগী এপ্রোপ্রিএট ফোরমনা ৱায়েঙ্গসনু হায়দুনা থাদোরকই। মসিনা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অমসুং আর ও/এসিষ্টেন্ট আর ওশিংগী মথৌগী ৱানি। হংবা য়ারিবা ৱাহংদি মীখলদা মীরেপ ওইদুনা লৈবাক মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইজগে, লৈবাক্কী থবক-থৌরম পূম্নমক কোকথোংনগে চোঙথোক্নরক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তগীবু মীয়ামদা মশাগী অশেংবা মমিং মথা, মহৈগী থাক, কেসশিংদা চেন্নবা অমসুং চেন্নদবগী মতাংদবু ওইদবা, অরানবা অমসুং নমথাক তৌফম থোকপ্রা হায়বনি। মীয়ামদা মরু ওইনা মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামদা মীনম্বা চুম্ব্রা হায়বনি। লৈবাক্কী থৌগল তৌগেনা থোরক্লগবু ওইদ-পাদবনা হান্না মাঙ থাবা য়াওনরক্লগা হয়েং করিগুম্বা মীহুৎ ওইখ্রগনা অচুম্বা, অশেংবা, অফবা ঙাক্তা তৌরক্কদ্রা? অঙাংদি নীংথাদা খঙই হায়নবা মীতৈগী পাউরৌ লৈ। মীয়ামগী মীহুৎ ওইগে হায়দুনা চোঙথোরক্লগদি খোয়রম্বা নবুকচেলদু ফজনা চুমথোক্লগা থোরকউ হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬

১) ***“পত্তুম্মাগী হামেঙ”*** হায়বা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অদুগী অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) **“মফম খঙদনা/মাঙখ্রবা/ঐগী ইমি,/হায়য়ু/কনানা করম্না মূখুৎখিবনো নঙবু/ঐগী লৈমায়দগী।”** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিকনি **“মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী বাহরেন”** হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) ১৯৬৭ ইংদা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিকনি **“নোংদম”** হায়বসি। লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***“মশাবী লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মশানৌদা পাওমেলঙামএ। ইশানৌ য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও, নহান নোং ইপল পলেম ইমা নোংমোইনু অহোংবীনা তুশারমপপু লৈএ। শানৌ ইচিল ইনাওতি মোংবা অমরক তুতেংহৌসে।”*** ৱাহৈ পরেং খরসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এস ও পি ঙাক্না ভোট থাদবা ওইথোক্কদৌরিব্রা?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

নহানমখৈ ঐখোয় ইশা-ইশানা চখোক-খোত্তোকপা মতমদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাকপা ঙম্নবা হোৎনজরগা য়াম্না চেকশিন্না চৎনরিঙৈ মতমদুদা ফাওবা কদাইদগীনো খঙহৌদনা কোভিদ-১৯ মহীকসি পাইশিল্লক্তুনা কোরোনাগী লায়না মথং মথং পক্ন রিবনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনসিগীদমক তঙাইফদনা মীয়াম পূল্লগা পূন্না ক্যু লেপমিন্নদুনা ভোট থাদনহনগনি হায়রিবা ইলেক্সন কম্মিসনগী থৌদৌসিদবু ভোটর ওইরিবা মীয়াম ঐখোয়সি অমদগী অমদা কোভিদ-১৯ মহীক লানশিন্নদুনা লায়নাসি পাক শন্না শন্দোক্নরোইদবগী মরম লৈব্রা? থৌদৌসি পূক্নিংদা মীপাইবা পোকই। হন্দক থোক্লক্লিবা কোভিদ-১৯দগী মোদিফাইদ তৌরকপা কোরোনাগী অনৌবা লাইচৎ ওমিক্রোন হায়রিবা লায়নাসিগী অনৌবা মহীক মখলসিদি ফুট ৬তগী হেন্না লাপ্নরবসু ইরায় লায়না চোংশিনবা অদুম্মক ঙম্মীসু হায়রি। অদুগা লুরিবনা, লায়না মখলসিনা নাবা মীশক্তু লাইওং অমত্তা উখোক্তনা অদুম্মক নাবনা অয়াম্বনিসু হায়নরি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা, হন্দক্কী ইলেক্সনসিদা ভোট থাদবা লাক্লগদৌরিবা ভোটরশিংসি ওমিক্রোন নাবা ভোটরশিং অমত্তা য়াওরক্লোই হায়বসিসু ঐখোয় কনামত্তনা হায়বা ঙম্বা পোৎ নত্তে। মেদিকেল দিপার্টমেন্টনসু, মণিপুর লৈঙাক্নসু হায়বা অমত্তা ঙম্লোই। ফীভমসিদা ভোট থাদবা থোক্কদৌরিবা, চৎকদৌরিবা ঐখোয়সিদি রিস্ক কয়াম ৱাংখ্রে? ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং লৈঙাকশিংনদি ওর্দর থোকখ্রবনি, লাউথোকখ্রবনি, সি খক্তনি হায়রক্তৌরিসি। লাউথোকখিবা নুমিৎসিমক্তদ াশোয়দনা অদুম্মক চপ চানা পাঙথোক্লদৌবনি। ফীভমসিদা ভোটর ওইরিবা লৈবাক মীয়াম ঐখোয়না খনগদৌবা ৱাখল অমসুং তৌগদৌবা থৌদৌসি অসুক্কী মতিক লুদ্রিবরা? সি হায় হায়দুনসু কোভিদ-১৯ কিবদগী মীয়াম ঐখোয় ভোট থাদররোইসি হায়বদি নত্তে। লৈঙাক হায়বসিদি লৈঙাক্লিদনা, লৈঙাক্লা তৌরকপা থবকপু কনানা করি হায়রুবা ঙম্ফম থোকই? অদুম ওইনমক ঐখোয় হন্দক্কী ইলেক্সনগী মতাংসিদদি মুন্না খন্থহৌবা, চেকশিলহৌবা অমদি য়ারিবমখৈ এস ও পি মপূং ফানা ঙাক্না চৎনবা হোৎনহৌবা ফৈ।

ইলেক্সন হায়বসি ঐখোয়না হেক খঙলকপদগী ইরমদমসিদদি অসুক্কী মতিক চাউবা কুম্মৈ অমগা চপ মান্ননা চত্থদুনা লাক্লবনি। খজিক্তং হেন্না হায়রবদা, শাদিং ওইনা হিংজবা, শেল থুমগী ফীভম ফৎচদবদগী হিংবদা খুদোং চাদবা, থোইদোক্লা মশাদা লৈঙাক্কী অমদি পোলিটিক্সকী হায়বা ৱাখল্লোনশিং লুনা খঞ্জিন্দবা মীওইশিং কয়ামুক্কী মফমদদি ইলেক্সন হায়বসি য়ুবী লাকপীগী গেমগুম্না অঙম অঙম্বা শেল্লেম লাক্লবগী গেম অমগুম্নসু উনরিবনি। অদুবু লুরিবদি, ইলেক্সনগীদমক মী পুল্লুবদা অমদি ভোট থাদবা চৎলুবদা করিগুম্বদা কোভিদ-১৯গী লায়না লৌরকপা থোক্লবদি ঐখোয় করি ওইগদৌরি অমসুং ভোটতগী ফংলকপা শেনফম খরখক্লা কোরোনা লায়েংবদা কোন্নবা ঙমগদৌরিব্রা? ৱাফমসিসু খন্থবা মথৌ তাই। কোন্নবদি লায়রদুনা লাইবক থীয়ু হায়না তন্নন্নবদি ইশাগী থৱায় ফাওবা মাঙখিবা য়ারিবনি। মতমদুদা ইশাগী ইমং ইশানা ইখোঙনা থোংনা থিজরুবগা চপ মান্নগনি। থৌদৌসি ঐখোয়দা থোক্লোই হায়বসু খক য়াররোই। ঐখোয় হৌজিক ইলেক্সনসু য়াওগদবনি অদুগা কোরোনাগী মহীকসু থেংনদনবা হোৎনগদবনি। কোভিদ-১৯ থেংনদনবা হোৎনবা হায়বসি ৱাখল চেৎপা অমসুং খরা হেন্না খন্থবা ঙম্বা মীওইশিংগী মফমদদি থোইদোক্লা লুবা পোৎ নত্তে। শুপ্ন তগী কোভিদ-১৯ থেংনদনবা এস ও পি খক চপ চানা ঙাক্না চৎপা ঙম্নবা হোৎনবদুনি। ভোটকীদমক মীয়াম পূনবা মফমশিং য়ারিবমখৈ তরাই তরাইনা চঙদনবা ইশানা ফিরেপ অমদি লৌজবা চঙই। তঙাইফদনা চঙবা তারবসু এস ও পিগী মতুংইন্না লাপ্পনা লৈনবা হোৎনবা অমসুং মাস্ক উপ্পা হায়বসি কাউথোকপা য়াদে। সেনিটাইজরসু অদুম্মক তোয়না শীজিন্নবগী মথৌ তাই। তাঞ্জা হেক ফংবদা খূৎ-শাশিং হামদোক্কদবনি অমসুং য়ূম হেক য়ৌবগা শীজিন্নরুবা ফি-রোলশিং শুদোক-চামথোকপা অমদি খূৎ-শাশিং কাঙলোন চুম্না হামদোকপা চঙই। পূম্নমকসি হান্নগী কোরোনাভাইরস লায়না ঙাকথোক্লবগীদমক শেন্বা এস ও পিদু ঙাক্তনি। সিদগী হেন্না থোইদোক্লা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎপীংঙাইসু লৈরোই। ফীভমশিংসি ঙাক্লা ঐখোয়না ইলেক্সন য়াওবা ঙম্লবদি, হন্দক্কী ইলেক্সনসিদগী থোক্লকপা কোরোনাগী অকিবশিংসি ঙাকথোকপা ঙম্বা য়াই। নৎত্রবদি হন্দক্কী ইলেক্সনসিদা ঐখোয়না কোরোনাগী লাইচৎ মতৌ করম্না থেংনগনি? কোরোনানা নাবা অনাবা খুদিংমক ঐখোয়না মশক লোইনা খঙবসু নত্তে।

কোরোনা লাইচৎকী ৱাফমসি ঐখোয় স্বাইদদা নত্তনা মালেম পূম্বসিমা শিন থুংনা চপ চানা নিল্লবনি। অদুবু ৱাফমসি ফনা ওইদুনসু ইলেক্সনগী মগুণ হায়গদ্রা নৎত্রগা মহাউ হায়গদ্রা, মসিমদি ওখাক ঙকই। ইলেক্সনগী মতাংনিবু হায়রবদি লৈঙাকসু অদু মঙাই, লৈবাক মীয়ামসু অদু মঙাই, খরা খরদি অদুম্মক কোমথোক্লবগুম উই। ইন্দিয়াগী ওইনসু মমাঙদা কোরোনাগী ফীভম হন্থরকত্রিঙৈদা ইলেক্সন পাঙথোকশিল্লুবদগী কোরোনাগী ফীভম পাক চাওবা হেঙ্গৎলকখিবনি হায়না লাউনরিবা অদুম তানবা লৈখ্রে। মহৌশাদগী হৌনা মণিপুর লৈঙাক্লা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকপা খুদিংমক্তা শুপ্নগী ইলেক্সন খক্তুবু অকায় অতোয় য়াওদনা অমসুং মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা চপ চানা অৱাবশিং মায়োক্নরকখি। ফীভমসিদা ইলেক্সন নুমিৎতা লৈঙাক্লা থোইদোক-হেন্দোক্লা খক কোরোনা লায়নাগী মরমদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। মহৌশানা ইলেক্সন খক্তগী হোৎনবদা ফাওবা থোক লোংবা মখৈ ৱানরিবা নুমিৎসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতৌ করম্না ইলেক্সনগী থৌদৌশিংগী মথক্তা, কোরোনা লাইচৎকী চেকশিন থৌরাংশিং অমুক্কসু অহেনবা থৌরাংশিং ওইনা হাপচিনবা পাল্লমগদৌরিবনো? পুবদা ৱাগদবা পোৎলুমনি, শোয়দনা পাল্লম্লোই হায়বসিবুদি চুল্লমগনি খল্লি। তৌইগুম্বসুং, কোরোনাগী লাইচৎ হায়বসিসু অরায়বা থৌদৌদি নত্তবনিনা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা অমসুং লৌখত্তবা য়াদবা থৌরাংশিং খরদি অদুম্মক লৌখৎলকফম থোকই, লৌসু লৌখৎলক্কনি খল্লি। অদুবু, লৌখৎলক্কদৌরিবা থৌরাংশিংসিনা মণিপুরদা ইলেক্সন নুমিত্তা ভোটকীদমক থোক্নরক্কদৌরিবা অপূনবা মীয়ামসিবু কোরোনা লায়না শন্দোক্নহন্দনবগীদমক মপূং ফানা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং অমা হায়বদুদি খক ওইথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। মদুগীসু মথক্তা মহৌশানা, মণিপুর ষ্টেট খক্তা নত্তনা অতৈ ষ্টেটশিং অয়াম্বদসু ইলেক্সনগী মতমদদি পুলিস ওইগেরা, পেরা মিলিটরিশিং ওইগেরা, ষ্টেট ৱাংমদগী লৌশিন্নদুনা শীজিন্নবা ঙাক্তনি। মণিপুর লৈঙাক্নসু শুপ্নগী তম্পাক্কী কন্সটিট্যুএন্সিশিং খকসিদং ইলেক্সন পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা অপূনবা ফোর্সশিংসি লোইনমক শীজিন্নরসু কোন্নবা খক ঙমদ্রি। ফীভমসিদা মণিপুর ষ্টেটকীসু ইলেক্সনগী মতমদা হেক হেক মপাল্লোমদগী পেরা মিলিটরিনচিংবা ফোর্সশিং কয়ামুক লৌশিন্দুনা শীজিন্নরি। থৌদৌসিসু ষ্টেটসিদা কোরোনা শন্দোক্লবা য়াবগী থৌদৌ অমা নত্তবরা? মরম পূম্নমকসিদগীনি ঐখোয়না হন্দক্কী কোরোনা লাইচৎ মনুংদা পাঙথোকপা ইলেক্সনসিগীদমক , ...“এস ও পি চপ চানা ঙাক্লা ভোট থাদনবা হায়বসি ওইথোক্কদৌরিবা থৌদৌ অমরা?” হায়বা ৱাহংসি হেক হেক হংনরিবসি। হন্দক্কী মতাংসিদা চেকশিনহৌদবা হায়বা থৌদৌসি থোকহনবা শুকয়ামক য়াদ্রবা অমনি।

তশেংনমক্কী হায়রবদি হৌজিকসি হান্না কোরোনানা অকিবা ফংনা শন্দোক্লন্বা অমসুং শোকহল্লন্বা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদা কোরোনা ফ্রী ওইনরকপদগী কোরোনাগী এস ও পিশিং লৌথোক্লগনি হায়বগী পাউশিং তাবা ফংনরকই। পাউশিংসিমক্তি নুংঙাইবগী পাউনি, তাবদা নুংঙাই। অদুম ওইনমক, মীগী লৌথোক্লখ্রে হায়দুনসু মতৌ তম্নরগা হেক্তা লৌথোক্লবা য়াবা এস ও পিদু কোরোনাগীসিদি নত্তে। ঐখোয়গী ষ্টেটসিগী ওইনা লায়না লাইচৎসিগী ওইরিবা মওং মতৌসি কমদৌরিবগে হায়বদু কূপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ৱারেপ লৌগদবনি। দাউ য়ারমদ্রবদি হন্দক্কী ইলেক্সন মনুংসিদা - ‘ইলেক্সনদি লোইখ্রে, কোরোনাদি পকহৌরে’ হায়বা থৌদৌদু ঐখোয় খুদিংমক্তা থোকপা য়ারিবা থৌদৌনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, করিগুম্বদা লাইবক থীরবদি, থৱায় ফাওবা শোয়দনা মাঙখিবা য়ারিবা থৌদৌনি। হন্দক্কী ইলেক্সনসিদি ঐখোয় শোয়দনমক্কী কোরোনাগীদমক চেকশিনহৌদবা য়াদবা ইলেক্সন অমনি। ●

# লৈবাক অমদা অনৌবা মার্কেট শাবগী মথৌ - ৪

- আনন্দ লাইশ্রম -

মমাঙগী আর্টিকলদা ঐখোয়না অনৌবা মার্কেট শাবা হায়বসি করিনো খঙমিন্নখ্রে। অনৌবা মার্কেট শাবগী কান্নবা করি লৈ হায়বগী মতাংদসু খঙমিন্নখ্রে। অনৌবা মার্কেট শাবগী খুদম খরসু য়েংমিন্নখ্রে।

অনৌবা মার্কেট শাবদা চঙলিবসি হান্না মমল তাঙলম্বা, শীজিন্নবদা লুরম্বা, ফংবদা ৱারম্বা পোৎ চৈবু হোঙনা, লায়না ফংহনবা অদুনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না চঙলিবা পোৎ চৈশিং শীজিন্নরগা কান্নবা লৌবা ঙম্বনচিংবগী মতাংদসু ঐখোয়না খঙমিন্নখ্রে।

মীয়াম্না চঙবা পোৎ চৈ শীজিন্নরগা কান্নবা লৌবদা অথিংবা লৈবগী মরম মরি লৈ। মরমশিং অদুদি মখাদা পীজরি :-

১) হান্নদগী য়োনবা পোৎ চৈগী মমল অদু য়াম্না তাঙবা।

২) অনকপা মফমদা পোৎ চৈ ফংদবা।

৩) পোৎ চৈ শীজিন্নবা নৎত্রগনা লৈবদা মতম য়াম্না চঙবা।

৪) পোৎ চৈ শীজিন্নবদা য়াম্না লুবা।

মসিগী অথিংবা অসি লৈবনা মরম ওইরদুনা মীয়াম্না মখোয় মখোয়না মথৌ তাবা পোৎ চৈ কয়া শীজিন্নবা ফংদদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্নৈ।

পোৎ চৈ হোঙনা, লায়না, নক্লা ফংহনবদা অনৌবা টেক্নোলোজি নৎত্রগনা অনৌবা পোৎ চৈ অমা পুথোক্তুসু য়াই হায়না খুদম খরসু ঐখোয়না হান্না থেংনখ্রে।

মরু ওইরিবদি মথক্তা থমজরিবা অথিংবা পীবা মরম কয়া অসিদগী ঐখোয়না লান্থোকপা ঙমগদবনি।

অরোইবা ওইনা ৱাহৈ খরদং থমজরি :-

লম অমনা চাওখৎলকপদা অনৌবা মার্কেট শাবগী মথৌ য়াম্না চাউনা লৈ। ঙসিগী মতমদা চাওখৎপগী থাক য়ৌরবা লমদম কয়া (অমেরিকা, জপান, সাউথ কোরিয়া) নচিংবনা চাওখৎখিবগী অচৌবা মরম অমদি অনৌবা মার্কেট শাবনা ওইখি। মীয়াম্না মথৌ তাবা পোৎ চৈশিংবু হোঙনা, লায়না, নক্লা ফংহল্লবদি মীয়ামগী অৱাৎপা কয়া মেনশিনবা ঙমগনি। অদুদা নত্তনা পোৎ চৈ ফংহল্লিবা বিজিনেস/ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ময়ামসু চাওখৎপা ঙমগনি।

মণিপুরদসু মীয়াম্না শীজিন্নবদা মথৌ তাবা পোৎ চৈ কয়া শীজিন্নবা ফংদনা লৈরি। তাঙবা নৎত্রগা অনকপা মফমদা ফংদবা নৎত্রগনা মতম য়াম্না চঙনা মপান লমদগী চেনবা পোৎ চৈ কয়া অমা লৈ। মসিগী পোৎ চৈ ময়ামবু হোঙনা, লায়না, নক্লা ফংহল্লবদি মীয়ামদা খক্তা নত্তনা মণিপুরগী ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ময়ামদসু কান্নবা য়াম্না ফংগনি। মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি মহিংসু ফগাৎলক্কনি।

মসিগী মতাংদা মণিপুরগী ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ময়াম অমসুং গভর্ণমেন্টকী ষ্টার্ট-অপ মণিপুর ইনিসিএটিভনা অচৌবা খোঙথাং অমা লৌবীগনি হায়বগী থাজবা লৈজে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## শেংলবা লননি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

*দিমোক্রেসিনি মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকই, অফবা ফত্তবা য়ান্নৈ, চঙলমদাইদা ৱাশকই, চঙলগনা মানা মানা থোকপা; শেলদা অরং অরাক্তা মীৎচিনা য়েংহৈদে, চাবা থকপদা তিল খয়োংনফদে, ইশানা ইশাবু খঙসি মমল লৈহনসি, ইকায়খুম্নহনসি লেম্না হিংসি, মতিক চাবদা কখোকপা ঙম্বদা, চহী মঙাগী হক শিন্নসি।*

কনানা চহী মঙাসি তেল্লি হায়। কনা অমনা অমুক শাংখ্রেদা মহায়। হায়না হায়না চহী মঙা লোইরক্লদুনা অনৌবা মীখল অমগী মতম মাঙদা লেপ্লরে। মীয়ামগী মীহুৎ খনবা মতম। মতমসি অরাইবা নত্তে। পুকচেল শেংবা, শেংদবা, কোর্ট কেস লৈবা, লৈতবা, অফবা ফত্তবা, শেল পায়বা পায়দবা ময়াম থোরক্লি মীহুৎ ওইগে হায়না। ময়ামসিদগী মীহুৎ খনবা অরাইবা ওইদে। খনবা হৈরগা অফ-নুংঙাই ওইগনি।

কনানা করি তৌখ্রে, তৌরক্কদৌরিবনা করিনো অমদি কদায় ফাওবা তৌবা ঙমগনি লোয়ননা মীদুগী পুকচেল, লীচৎ শাজৎ মুন্না য়েংবা চঙই। মহৈ মশীনগী থাক অহল লমন মশক খঙবা অমদি মতিং মথৌনা অসিনচিংবসু নৈনবা তাই। মখোয়না অমদি মীয়াম্না পাল্লিবা অওনবা পুরক্নবগীদমক শেঞ্জা থুমজা মুখুৎপা ঙমদৌবা, অৱাৎ অপা লৈতনা ঈংনা চিক্না পানবসু ঙমগদৌবা মীহুৎ খনবা মথৌ তারি। মহাক্না খ্বাইদগী মতিক চারে, পূম্নমক থেংনবা ঙম্ননি হায়বদু ওইহনবা ফৈ। ইপা ইপুগী ৱাহৈদা ‘হৈ হেকপা লায় খুনবা লুই’ হায়বদু নীংশিংমিন্নবা মতাং চাই। মসি খঙনা মীহুৎ খনবা হৈগদবনি। ভোট থাদবদি লায় মীহুৎ খনবনি লুরিবদি।

চহী মঙা মঙাগী ওইনা ঐখোয়দা লৈরিবা ‘হক’ অসি মতিক ময়াই লৈহনসি। অফবা অচুম্বা লম্বীদা শীজিন্নসি। পোৎ লৈবা, য়োনবা মওংগুম তৌগুমসি। ঐখোয় খুদিংমক নিংথিনা ইরুজথোকপগুম পূক্নিং ৱাখল শেংনা মকা লাম্না, পূক্নিং লৈতানা হিংসি। হামেংনা কুহানুংদা লৈহৌরগা লমহুইনা কাখিবদুদি তাহনগুমসি।

*অদোমগী - ইরোম মোবি, ইম্ফাল।*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।